# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-07-2024)**

**আইএলপি (এল)ঃ** ইম্ফালগী নমদুলোং এরিয়াদা শাশিন্নবা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই.এল.পি) পাস শারগা য়োল্লন্নবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই তরা পুলিসনা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-মীওই খুৎপু অমনা আইননা য়াদবা মওংদা আই.এল.পি. পাস শাদুনা য়োল্লে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী নমদুলোং এরিয়াদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা মীওই তরা অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। মখোয় নুমিৎ ৮ নিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা থিগৎপগী থবক চথরি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-আইন কায়না আই.এল.পি. পাস শাদুনা পীরম্বগী থৌদোক অসি স্পিসিএল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস.আই.টি) শেমদুনা থিগৎলগনি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙরাং পাঙথোখিবা পাউগী মীফম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক ফাওবগী ওইনা অসিগুম্বা আইননা য়াদবা থৌওং অসিদা চেন্নবা লেবর দিপার্টমেন্টকী এল.দি.সি. অমা য়াওনা চেন্নবা মীওইশিং পুলিসনা ফারে। অহানবগী ওইনা পুলিসনা থিজিন হুমজিনবদা হায়রিবা দুকানশিং অসিনা আইননা য়াদবা মওংদা আই.এল.পি. পাস লিশিং ৩.৫০০ রোম শাখে হায়বা খঙবা ঙমলে। অসিগুম্বা আইননা য়াদবা মওংদা আই.এল.পি. পাসশিং শাবগী থবক তৌরম্বা দুকান মঙা অসিনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী জিলাশিং অমসুং লেবর দিপার্টমেন্টতা লৈবা ওফিসারশিং অমদি কর্ম্মচারিশিংনা অহেনবা শেনফম খরগীদমক দুকানশিং অসিগা মান্নদুনা থবক অসি চথবনি হায়বগী চিংনবা লৈরি। মরম অদুনা, আই.এল.পিগী পোরটেলদা কর্ম্মচারিশিংনা মতৌ করমা অসিগুম্বা আই.এল.পি. পাসশিং অসি পীরম্বনো

হায়বদু এদিসনেল এস.পি. অমনা লুচিংবা এস.আই.টি. অমনা চত্থরি অমদি মরাল লৈবশিং মতিক চাবা দন্দি পীগনি হায়রি।

**নিট (এল)ঃ** ইম্ফালদা নিট (পি.জি.) পরিক্ষাগী সেন্টর ওইহনবীনবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দাদা হায়জখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা শ্রী জে.পি. নদ্দাদা টেলিফোনগী খুত্থাংদা ৱারী শান্নখ্রে হায়রি। মুখ্য মন্ত্রিনা ইবা চেরোল অমদা হায়-নিট (পি.জি) গী পরিক্ষা অসি ইম্ফাল সেন্টর ওইরগা চহি খুদিংগী নীংথিনা পাঙথোক্কুনা লাক্লি। অদুমওইনমক, হন্দক নেসনেল বোর্ড ওফ ইগজামিনেসন ইন মেদিকেল এন্ট্রান্স ইগজামিনেসননা পরিক্ষা অসি মথং থাগী ১১ দা অমুক হন্না পাঙথোকবা লাউথোরকপদা ইম্ফাল সেন্টর য়াওরক্ত্রে। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মপান লমদা পরিক্ষা থানবগীদমক মহৈরোইশিংনা নেসনেল হায়ৱেদা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। মসিগী মথক্তা মহৈরোই খুদিংমকা এরোপ্লেনদা চৎপগী খুদোংচাবসু অহেনবা চাদিং তৌগদবনা ঙমরোইদবা কয়া লৈরি। ফিভম অসিগী য়েংলগা ইম্ফালদা সেন্টর পীবিনবা মুখ্য মন্ত্রিনা তকশিল্লি।

**ভেন (এল)ঃ** মহৈরোই পুথোক পুশিন তৌরিবা স্কুল ভেনশিংনা সরকারনা লেপ্পা সিটিং কেপাসিতিদগী কা হেন্না মহৈরোই পুদনবা ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পিনা খঙহল্লক্লি।

মহৈরোইশিং কা হেন্না পুবনা মহৈরোইশিংদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াবা অমসুং ফিভম অসি সুপ্রিম কোর্ট কমিতি ওন রোড সেফতিনা লুমা লৌবনা মরম ওইদুনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। রাজ্য সরকারগী ট্রান্সপোর্ট বিভাগনা ২০১৫ দা থোকখিবা চেরোল অমদা লেপখিবা চাংদগী স্কুল ভেনশিংনা

মহৈরোই কা হেন্না পুবা য়ারোই। মহৈরোই কা হেন্না পুরম্বা স্কুল ভেনশিংগী মথক্তা আইনগী মতুং ইন্না থবক লৌখৎকনি হায়রি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, কাংপোক পুলিস, ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো, য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন অমসুং ২০ শুবা জাট রেজিমেন্টকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থমাপোকপী উয়োক চিংশাংদা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফংলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থিবা হুম্বগী থবক অদু ঙরাং অয়ুক পুং মঙাদগী নুংথিল পুং অমা মখায় ফাওবা চখখি। মদুদা, শান্না কাপ্পা য়াবা মোটার ১৩, বরমানা শাবা আইরন রোড আই.ই.দি. মরি, শেমদোক্লবা লেথেদ গ্রেনেদ লোঞ্চর অমা, জি. থ্রি রাইফল অমা, জপাননা শাবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল মঙা, পোইন্ট টু টুগী পিষ্টোল অমা, বরমানা শাবা আই.ই.দি. বোম ২৪, এ.কে. রাইফলগী মরু ৭১, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এম.এমগী নোংমৈ মরু ৩৪, পুমপী বোমগী অহাংবা সেল মরিনচিংবা ফাগৎপা ঙমখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী লিলোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ঙাংলৌ তরা লৌগী লম্বীদা শকখঙদবশিংনা মীওই অমা ঙরাং নোংমৈনা কাপ্পল্লে।

মীওই অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হত্তা গোলাপতিদগীনি হায়রি। মহাক্কী মখোং অনিমক্তা নোংমৈনা কাপ্পল্স্বনি হায়রি। মহাকপু কনানা করিগীদমক নোংমৈনা কাপ্পল্লিবনো হায়বা হৌজিমক্কী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। মহাক লিলোংদা লৈবা নুর হোস্পিতালদা লায়কন্নরি হায়রি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাদা থবক তৌরিবা নুপীশিংনা লৈনবা ৱার্কিং ৱিমেন্স হোষ্টেল ‘শাখি নিৱাজ’ মরি হাংলগা লৈরি। হোষ্টেল অসিদা লৈবগী

খুদোংচাদবা লৌনিংবা নুপীশিংনা মরি লৈনবা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সিশিংদা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়না থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুবাসনা হায়রি।

হোষ্টেল অসিদা লৈনবগীদমক থৌবাল কলেজ মনাক্তা লৈবা ৱিমেন ইনকম জেনরেসন সেন্টর, তেন্থা থুমখোঙ বজার মনাক্তা লৈবা তেন্থা ফারমস দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন, য়াইরিপোক্তা লৈবা লোইয়ালম ফাউন্দেসন অমদি ৱাংবল পল্লি বজারদা লৈবা রুরেল দিবলপমেন্ট ৱিমেন ওর্গনাইজেসনদা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়না চেরোল অমদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা খঙহল্লি।

**সংসদ** ঃ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা সংসদকী নোংজ্ মীফমদা সরকারনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট লো এমেন্দ তৌবা য়াওনা অনৌবা বিল ৬ পুথোক্কনি। ফাইনান্স বিল খক্তা নত্তনা সরকারনা এয়ারক্রাফট এক্ট ১৯৩৪ গী মহুৎ শিন্নবা ভারতিয়া বাইয়ুয়ান বিধেয়ক ২০২৪ সু পুথোক্কনি। মসিনা এভিএসন সেক্তরদা লল্লোন ঈতিক তৌবা হেন্না কোমহল্লগনি। বিলশিংগী লিষ্ট অদু লোক সভা সেক্রেটরিয়েটনা ঙরাং পার্লিয়ামেন্ট বুল্লেটিনদা ফোংলকপনি। ওগষ্ট ১২ ফাওবা চত্থগদবা মীফম অসিদা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না কেন্দ্রগী বজেৎ থা অসিগী ২৩ দা পুথোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা-অশাবা লেবর কার্ড পীরগা আই.এল.পি. ইশু তৌরম্বা গেং খুৎপু অমা ফাগৎলে। শাশিন্নবা কার্ড পায়বশিং পুলিসতা সরেন্দর তৌনবা সি.এমনা ৱার্নিং তৌরি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস, মোরনিং বেল, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন, মনিপুর মেল, মনিপুর ন্যুজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা লৈবাকনচিংবা পাউচেশিং অয়াম্বদা তোঙান

তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-স্ক্রিনিং এন্দ লাইফলিহুদ প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌখ্রে। শেন ম্রীৎলোন ফগৎহন্দুনা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনরি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-চীফ মিনিস্তর এন. বিরেননা হায়-লাম্থেংনরিবশিংনদি লৈঙাকা তৌরিবশিং খঙলমগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-দি.এম.য়ুগী মহৈরোইশিং অমসুং নৌনা খল্লবা ষ্টাফশিংনা রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-অফবা সাইন্টিষ্ট পুথোকবা সাইন্সকী কান্নবা খঙমীন্নবা মথৌ তারে হায়না সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-কোর ইশুদা ফোকস পীদ্রবদি মায় পাক্লোই, পোলিটিকেল সোলুসন পুরকবা হোৎনরি, ঙসিগী অমসুং তুংগী মীরোলগী হিংদবা য়াদে, শেন ম্রীৎলোন ফৎত্রবদি ঐখোয় চাউখৎলোই হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-চাকথোং গ্যাসকী অৱাবা কোকহনবা ঙমখিরোইদৌরি।। ব্লেক মার্কেটতগী লৈবদা মমলদি কাপ্লে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-মনিপুরগী ৱাথোক্কী মতাংদা শেমখিবা জজশিংগী পেনেলনা মতম শাংদোকপীনবা হায়জখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-জে.সি.আই.এল.পি.এস. অমসুং মীয়ামগী ইহৌদগী

চৎনহল্লকখিবা আই.এল.পি. পোরোং থোক্লম্লে। শাশিন্নবা আই.এল.পি. লিশিং ৩,৫০০ রোম ইশু তৌরম্লে। চেন্নবা নন লোকেল মরি অমসুং লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ি য়াওনা ৯ ফারে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-মহৈরোই মশিং কা হেন্না পুরিবা স্কুল ভেনশিংগী মথক্তা সরকারনা এক্সন লৌখৎকদৌরি হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মনিপুরগী ৱাথোক রাজনিতিগী ওইবা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনরি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউ চে অসিগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-শাশিন্নবা আই.এল.পি. পাস শারম্বা মীওই খুৎপু ফারে। চীফ মিনিস্তরনা এস.আই.টি. শেমদুনা থিগৎনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাডনা পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরদা বন-মহোতসবকা মরী লৈননা উ চারা লাখ অমা হেন্না থাখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-কোম য়ুনিয়ন মনিপুরনা লুপ অসিগী অয়াবা য়াওদনা কনা অমত্তনা প্রেস ষ্টেটমেন্ট থোক্তনবা হায়রি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।